ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Valuable
HL
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ইকৌ কৈথেলদগী মেমী কৌবী লৈশাবী অমা হাৎলগা ইরিল তুরেলদা থাদরকপদা চেন্নবা মীওই ফারে হায়না পাউমীশিংদা পুলিসকী টিম অমনা পাউদম্নবগী শক্তম

লামায় ১

জি জিতেশ্বর অমসুং অতৈ মীওই মরিগী মীহাৎ থিগৎপীনবা দিমান্দ তৌরদুনা মীয়াম্না নিংথৌখোং কৈথেলদা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমগী শক্তম

লামায় ৩

ফ্রেমৱার্ক এগ্রী-মেন্টনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈদা শোকহনবা য়ারোই হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা কৈরাওদা ফমখিবা ৱাকৎ মীফম

লামায় ৫

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা রাজিব গান্ধিগী ৭৪ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা সধভাবনাগী থৌরম

লামায় ৫

Vol. 42, Issue No.148 লৈবাকপোকপা,থৱান ১০নি পানবা, অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Tuesday, August 21, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

অফস্পাগী মখাদা ঙাক্লৌ পীনবা আর্মিনা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন সেপ্তেম্বর ৪ দা খন্নরগনি

চার্জসিট অমগসু ফাইল তৌখ্রে হায়না পাউদমখ্রে

এক্সত্রা জুদিসল ওইবা মীহাৎকী কেসশিং থিগৎহন্নবা শেমখিবা এস আই টি বেঞ্চ অদুমক্লা আর্মিগী ৱাকৎ তারগনি।

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সি) :

আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱরস এক্ট (অফস্পা) চৎনরিবা মফমশিংদা মথৌ তৌবা আর্মি পার্সনেলশিংদা ঙাক্লৌ পীনবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা অখন্নবা গাইদলাইন অমা শেমগদবনি হায়না ইন্দিয়ন আর্মিনা সুপ্রিম কোর্টতা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমা ঙসি কোর্ট অসিদা হিয়ারিং চথখিদ্রে।

মথং থা সেপ্তেম্বর ৪ দা কেস অসিগী হিয়ারিং চথনবা মতম লেপখ্রে। দিষ্টর্ব এরিয়াদা মথৌ পাঙথোক্লিবা আর্মি পার্সনেলশিংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) অমসুং ষ্টেট পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন চথবা মরম্না মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্দ্রে হায়বা ইন্দিয়ন আর্মিগী পিটিসন অদুনা ফোঙদোকখিবনি।

আর্মি পার্সনেলশিংগী মথক্তা অতম্ননা কেস থাঙ্গৎলকখিবা মীওই অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংগী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথবা মথৌ তাই হায়নসু আর্মিগী পিটিসন অদুনা ফোঙদোকখি। পিটিসন অদুনা হায়খি, তৌশিন্নবা কেসশিংদা মরম চাদনা চেন্নহল্লিবা আর্মি পার্সনেলশিংদা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীনবগী প্রোভিজন লৈহনগদবনি।

সেক্সন কমান্দরদগী হৌরগা প্লেটুন, কম্পেনি অমদি বট্টালিয়নগী কম্মান্দিং ওফিসরশিংনা এপেক্স কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইন তৌখি। পিটিসন অদুনা হায়খি, লালহৌবগী অকনবা মফম ওইরিবা দিষ্টর্ব এরিয়াদা মথৌ পাঙথোক্লিবা আর্মি পার্সনেলশিংগী মথক্তা সিভিল পুলিস নৎত্রগা সী বি আইনা ইনভেষ্টিগেসন চথবনা আর্মিগী থবক থৌরমদা খুর্‌রৌ থাংহল্লে।

পনবা য়াবদি সী বি আইগী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমনা হন্দক্তা মণিপুরদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংগা মরী লৈননা আর্মদ ফোর্সেসকী মথক্তা চার্জসিট অনী ফাইল তৌবা লৈখ্রবনি। আর্মি পার্সনেলশিংবু মীহাৎপনি হায়না কেসশিং অদুদা মরাল শীরি।

ফেক এনকাউন্টরনি হায়বা কেসশিংদা চেন্নরিবা এক্যুজশিং ইম্ফালগী লম্বীশিংদা মনিং তম্না কোইচৎ চৎলিবা মীহাৎপনি হায়না জষ্টিস অমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা মরম ওইরগা মহাকপু কেস অসি পায়হন্দনবা ৱাকৎলকপা লান্মীগী পিটিসন অদু য়াখিদ্রে। জষ্টিস মদন বি লোকুর, জষ্টিস এস অবদুল নাজির অমসুং জষ্টিস দিপক গুপ্তনা হায়খি মদুদি মণিপুরদা থোকখিবা এক্সত্রা জুদিসল ওইবা মীহাৎকী কেস ১,৫২৯ থিগৎহন্নবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) শেমখিবা বেঞ্চ অদুমক্লা কেস অসিগী হিয়ারিং চথরগনি।

অমরোমদা, আর্মি, অসাম রাইফলস অমসুং মণিপুর পুলিসনা চথখিবা খুৎশেমগী খুৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোকশিংগা মরী লৈননা চার্জসিট অমসু ফাইল তৌরে হায়না সী বি আইগী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিমনা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

জুলাই ৩০ দা কেসশিং অসিগা মরী লৈননা চার্জসিট অনী ফাইল তৌরে হায়না সী বি আইনা এপেক্স কোর্টতা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ঙসি চথখিবা হিয়ারিংদা জষ্টিস মদন বি লোকুর অমদি জষ্টিস য়ু য়ু ললিত য়াওবা বেঞ্চনা হায়খি, সেপ্তেম্বর ১ দা ফেক ইনকাওন্টরগা মরী লৈননা মথংগী ষ্টেটস রিপোর্ট পীখৎলক্কদবনি।

আর্মি পার্সনেল ৩০০ হেনবনা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন অমগা লোয়ননা ফেক ইনকাওন্টরগী কেস অসি সেপ্তেম্বর ৪ দা পুন্না হিয়ারিং চথগনি হায়না বেঞ্চ অদুনা ফোঙদোকখি। মথংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

খূৎয়েক পীনখিবা এম ও য়ু, ঐচ আর দি মিনিষ্টরনা অয়াবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) :

এম ঐচ আর দিগী জোইন্ট সেক্রেটরি, মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন) অমসুং য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিটিগা থা অসিগী ১৬ তা খূৎয়েক পীনখিবা এম ও য়ু অদু ঐচ আর দি মিনিষ্টরনা অয়াবা পীখ্রে হায়না এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার (আই/সী) প্রোফেসর এম শ্যামকেশোনা থোকপা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা হায়রি।

হৌখিবা ওগষ্ট ১৮ দা এম ঐচ আর দিগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা খঙহল্লকপনি হায়বা ৱারোলশিং পল্লদুনা মেমোরেন্দম অদুনা হায়, ইনক্কারি মনুংদা প্রোফেসর এ পি পান্দেনা লিভতা লৈবগা মরী লৈনবা ‘ক্লোজ দি’ য়াওনা এম ও য়ুগী ক্লোজ খুদিংমক হ্যুমেন রিছোর্স মিনিষ্টরনা য়ারে হায়না মুটা, মুসা অমসুং মুসুগী মরী লৈনবা ওফিসল পুম্বদা খঙহল্লি। প্রোফেসর এ পি পান্দে ইনক্কারি চথরিঙৈ মনুং নুমিৎ ১৫ নিগী ইনক্কারিগা মরী লৈননা মতুং তাবা এক্সন লৌখৎত্রি ফাওবা লিভতা লৈগনি হায়না এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার (আই/সী) প্রোফেসর এম শ্যামকেশোনা থোকপা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা হায়রি। ওফিস মেমোরেন্দম অসিমক ভি সী (ইন-চার্জ) মশাগী অয়াবগা লোইননা থোকপনি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

কোংগ্রেসনা মীয়ামবু চমম্নবা পোকহল্লগা ঈৱাং থোকহন্নবা শীল্লে : টি ঐচ বিস্বজিৎ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস):

কোংগ্রেসনা লমদমসিগী মীয়ামদা চমম্নবা ৱাফম কয়া পোকহন্দুনা ষ্টেট অসিদা ঈৱাং থোকহন্নবা শীন্দুনা লৈরে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোয়সু ওইরিবা মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

সঞ্জেনথোংদা লৈবা মিনিষ্টরগী ওফিসল ক্বার্টরদা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎনা হায়খি, কোংগ্রেসখক্তনা লৈবাক নুংশিবদৌনা পংঙাঙদা ঙাঙলগা মীয়ামদা চমম্নবা পোকহল্লে। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা থাগৎলকখিবা রিপোর্ট

অদুদা য়াওরিবশিং অদু ইফোং ফোংনা লৈরবনি। রিপোর্ট অদুদা য়াওরিবা ৱাফমসিবু কোংগ্রেস পার্টিনা লান্না পাউথোক্তুনা লৈবাক কায়ননবা শীন্দুনা লৈরি। রিপোর্ট অদুদা কম্মিটিনা অদুনা পীখিবা ওবজার্ভেসন অদুসু ময়েক শেংনা পল্লিবনি। রিপোর্ট অদুদা পীখিবা ওবজার্ভেসন অদুদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিগী ষ্টেকহোল্ডর ওইরিবা মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা করিগুম্বা ফাইনেল ওইবা রিজোলুসন অমা লৌনবা হোৎনরকপা মতমদা ষ্টেট অহুম অসিগী অয়াবা য়াওবা লোয়ননা পাউ খঙহনগনি হায়বা ৱাফমসু ময়েক শেংনা পল্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা লাউরি-খোঙলিবা ময়াম অসিদি হয়েংমক লৈবাক কায়গদবগী মওংদা তৌই। অসিগুম্বা মতৌ অসি কোংগ্রেস পার্টিনা তৌবীদবা ...মখা লামায় ৩ কলম৬

মঙ্গী, বিক্রমজিৎ, প্রেশ্যোজিৎ কোংগ্রেস য়াওখ্রে

ফ্রেমৱার্কনা নাগালেন্দদা সনাগী য়ূম শারসু মণিপুরগী শক্তমদি কায়বা য়ারোই : ও ইবোবী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস):

মমাংদা পাঙথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলদা কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা এক্স-মিনিষ্টর নিংথৌজম মঙ্গী, য়াইস্কুল এ সীদগী স্পেসল কন্ট্রেক্টর ওইবতা নৎতনা মমিং লৈরবা সোসল ৱার্কর হুইদ্রোম বিক্রমজিৎ অমসুং থোংজু এ সীদগী সোসল ৱার্কর শংলাকপম প্রেশ্যোজিৎনা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে।

মখোয় অহুম্না কোংগ্রেসতা য়াওরকপদা অয়াবা পীবগা লোয়ননা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি বি টি রোদতা লৈবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিস (কোংগ্রেস ভবন)তা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সী এল পি লীদর ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা হায়খি, কোংগ্রেস পার্টিগী ৱাখল্লোনবু থাজবা থম্বদগী পার্টি অসিদা মীওই কয়া য়াওরক্লি। এম পি ইলেক্সনগী মাংওইননা কোংগ্রেস পার্টিদা মীওই কয়া য়াওরক্কনি। ঙসি পার্টি অসিদা য়াওরকপগী তরাম্না ওক্লিবা অসি অহৌবনি। লৈঙাক পায়রিবদগীসু য়াওরকপা কনানা খঙগনি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়া পূনশিল্লগা শেম্বা লৈঙাকনি। অদুবু, শেল্লিবা লৈঙাক অসিগী এল্লাইন্সকী মমিংসু থোন্দে। মমাংদা কোংগ্রেস পার্টিনা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগা খূৎশম্নরগা লৈঙাক শেমখিবা মতমদা সেক্যুলর প্রোগ্রেসিব ফ্রন্ট হায়না মমিং থোন্দুনা লৈঙাক পায়মিন্নখি। হৌজিক বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদি মমিংসু থোন্দে। মমিং থোন্দনা লৈঙাক অসি চথ্দুনা লৈরি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী য়াম্না মরুওইবা ইস্যু হৌজিক লৈরি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিনা ৱারোইশিন পুরকপদা নাগালেন্দদা সনাগী য়ূম শাগেরা, চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎকেরা অকায়বা লৈতে। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমদি ঙমখৈদি শোকপা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

‘মণিপুরী লোল সেদ্যুল্ড চল্লে হায়দুনা লৈশিনবা চুমদে’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস):

মণিপুরী লোল ৮শুবা সেদ্যুল্ডদা চল্লে হায়দুনা তুমিন্না লৈশিনবা চুমদে, হেন্না চাউখৎনবা হোৎনবা চঙই হায়না আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরী লেংগ্বেজ দে ষ্টেট লেবেল সেলেব্রেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ২৭লকশুবা মণিপুরী লোলগী নুমিৎ থৌরমদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারনা হায়খি, মণিপুরী লোল হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। চাউখৎহন্নবগীদমক য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা তৌগদবা ময়াম অমসু লৈরি। মণিপুরী

লোল ক্লাসিকেল লেংগ্বেজদা চলহন্নবা হোৎনবদা করি চঙবগে হায়বসি থিদোকপা তঙাইফদে। মসিদা মী অমা নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন ঙাইদনা ঐখোয় খূদিংমক্না অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌফম থোকই। লোল অমবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজ চনবা হায়বসি ইচম চম্না চনবা য়াবা নত্তে। লোল অদু মীয়াম্না মশক খঙবা, ফিলোসোফিকেল বেকগ্রাউন্দ লৈবা লিটরেচরনচিংবা মচাক কয়া য়াওবা তঙাইফদে। ঐখোয়না ঙাংনরিবা লোল অসি চৎনবী অমা ওইনা অনৌ-অনৌবা তাবদা নুংঙাইবা ৱাহৈ কয়া শীজিন্নবা থেংনরে। ইশাগী লোল চাউখৎহনগে হায়রগদি অসিগুম্বা ময়াম অসি শেমদোকপা মথৌ তাই। শেমদোক্তনা অদুম চৎখ্রগদি তুংদা অৱায়বা লোল শেমগৎনবা হোৎনবদা অকায়বা পীরকপা য়াই।

মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজদা চলহনবা ঙমদ্রগদি করিগী হোৎনদ্রিবনো হায়না তুংগী মীরোলগী ৱাহং ওইগনি। হৌজিক্তগী হৌনা ঐখোয়না অমত্তা ওইনা হীরম অসিগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

মেমী হাৎপনি হায়বা মহমদ রোহিৎ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস):

সাইকুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইকৌ কৈথেলদা লৈবী পুখ্রিহোংবম মেমী (২৬) হাৎপদা মরুওইনা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মীওই অমা সাইকুল অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী অপূনবা পুলিসকী কাঙবু অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদা ফারে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পিগী কনফরেন্স হোলদা পাউমীশিংগা উনবদা ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি, কে মেঘচন্দ্রনা হায়খি, মীহাৎ অসিদা চেন্নরমগনি হায়না চিংনবদগী ফাগৎলকখিবসি ক্ষেত্রিগাও মখা লৈকায়দগী য়ুমখাইবম রোহিৎ এলিয়জ রাজেস (২৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা মহমদ রিয়াজউদ্দিন কৌই।

মহাক্লা মখা তানা হায়, থা অসিগী ১৪ দা পুখ্রিহোংবম মেমী য়ুমদগী থোকখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকপদগী ইমুং-মনুংগী মীওইনা সাইকুল পুলিস ষ্টেসনদা মাঙখিবগী রিপোর্ট অমা তৌখি। মদুগী মতুংদা থা অসিগী ১৭ কী নুংথিল পুং ১ তাবদা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ ইন্সপেক্তর ও কিরনদা মশক খঙদবা মীওই খরনা টেলিফোনদা নুপী অমগী অশিবা হকচাং বোরাখাউদা হাপ্লগা তুরেলদা থাদরক্লে হায়না পাউ পীরকখি। খূদক্তা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমা মফম অদুদা চঙশিনখি। অশিবা হকচাং অদু ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৫.৭০
দীজল : লিটরদা লুপা ৬৭.১৯

জেদ য়ু এফকী চ্যেরমেন ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ : জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট (জেদ য়ু এফ)কী মকোক থোংবা লুচিংবা অনী মেঘালয়াগী ৱেষ্ট জয়েন্টিয়া হীলস দিষ্ট্রিক্তা ফারে হায়না এজেন্সিগী পাউনা ফোঙদোক্লি।

ফারবা মীওই অনী অদুদি জেদ য়ু এফকী চ্যেরমেন রাইটু চৱাং (চহী ৬৬) অমসুং ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি গেংচুং পাও নমথুইয়াং এলিয়স দাংমৈ (চহী ৪৩) নি হায়রি। এজেন্সিগী পাউনা হায়, জেদ য়ু এফকী কাদর অনী মেঘালয়াগী জয়েন্টিয়া হীলস ফাওরগা শিল-চরদগী গুৱাহাতি ফাওবা চৎকদৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী ৱেষ্ট জয়েন্টিয়া হীলস পুলিসনা ফার্ম এরিয়াদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা শিলচররোমদগী লাকপা নাইট সুপর বস (এ এস ও ৱান-জে সী-১৩০০) খাল্লগা চেক তৌবদা জেদ য়ু এফকী লুচিংবা অনী ফাবা ঙমখিবনি। ফারবা মীওই অনীদগী মোবাইল ফোন মরি ফংবা ঙমখি। ৱেষ্ট জয়েন্টিয়া ...মখা লামায় ৩ কলম ১

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	৩০.৬২ °C	২৩.৩৯ °C
চান্দেল	৩৩.২৪ °C	১৯.৪০ °C
সীসীপুর	৩০.৫৬ °C	২১.৪৪ °C
ইম্ফাল	৩৪.৬৫ °C	২২.৮২ °C
সেনাপতি	৩০.১৪ °C	১৭.৩৮ °C
তমেংলোং	৩০.৩৮ °C	২১.৮৪ °C
থৌবাল	২৯.৫৩ °C	২১.৪৭ °C
উখ্রুল	২৬.২৯ °C	১৭.০৪ °C
মণিপুর	৩৪.৬৫ °C	১৭.০৪ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৪.৪১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৫
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.772985
US Dollar	69.822169
British Pound	89.124749
Australian Dollar	51.024668
Chinese Yuan Renminbi	10.178223
Japanese Yen	0.631561
Malaysian Ringgit	17.029814
Norwegian Krone	8.246428
Singapore Dollar	50.908441
South Korean Won	0.062224
Swedish Krona	7.604258
Turkish Lira	11.465347
Myanmar Kyat	0.04605
Bangladesh Taka	0.83213

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30064.17
Mumbai	–	Rs 30877.01
Delhi	–	Rs 30695.19
Kolkata	–	Rs 30994.65

HL POLL

Q : Leingakna NRC shemnaba meeyamgi wakat athubada thabakta onthorakkani haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Lallonbasingna Manipur da pot-cheigi mamal maning touna leppasi achumba khongthang ni loubra?

Yes 07% No 93%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

অস! লোইরেহে!

ৱাথোক ময়ামসিবু করম্বা মতমদা লোইদৌরিনো, কীবু কীরেনে...!

ꯋꯥꯈꯣꯛ ꯃꯌꯥꯝꯁꯤꯕꯨ ꯀꯔꯝꯕ ꯃꯇꯝꯗ ꯂꯣꯢꯗꯧꯔꯤꯅꯣ, ꯀꯤꯕꯨ ꯀꯤꯔꯦꯅꯦ...!



হৈনবা তম্মু, লাক্তৌবা ৱাংলি...!

ꯍꯦꯟꯕ ꯇꯝꯃꯨ, ꯂꯥꯛꯇꯧꯕ ꯋꯥꯡꯂꯤ...!

খাঙো কোনয়াক আই-এমদা য়াওরবা য়াই : ছোর্স

দিমাপুর, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সি) :

এন এস সী এন (কে)গী চ্যেরমেন ওইরম্বা খাঙো কোনয়াক মহাক্কী তুংইনবশিংগা লোয়ননা এন এস সী এন (আই-এম) দা য়াওরবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইকনমিক টাইমসকী রিপোর্টনা হায়, খাঙো অমসুং মহাক্কী তুংইনবশিং এন এস সী এন (আই-এম)দা য়াওরক্লগনি হায়না লূপ অসিগী লুচিংবা অমনা খঙহল্লক্লে। হৌজিক-হৌজিক এন এস সী এন (আই-এম)না ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকা ৱারী শান্নদুনা ইন্দো-নাগা কনফ্লিক্টকী মতাংদা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্কবা হোৎনরিবনি।

মমাঙ চহীদা এস এস খপ্লাং লৈখিদ্রবা মতুংদা খাঙো কোনয়াকপু এন এস সী এন (কে)গী চ্যেরমেন খনখি। অদুবু হন্দক্তা লূপ অসিনা মহাকপু ফম অদুদগী লৌথোকখি। থৌওং অদু এন এস সী এন (কে)গী ম্যান্মার-ওরিজিন মেম্বরশিংনা ঈ-নাই তাদবা মওংদা চথখিবা কূনি হায়না ইন্দিয়াগী ইন্টেলিজেন্স এজেন্সিশিংনা ফোঙদোকখি।

খাঙোবু চ্যেরমেনগী ফমদগী লৌথোক্লবা মতুংদা মশানা অপাম্বা মফমদা অশোই-অঙাম য়াওদনা চৎখিনবগী অয়াবা পীখিবনি। এন এস সী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

Celebrating 10 YEARS of Service
Free Closure of holes in heart by Non-Operative Procedure
If your Child has any of the Following Symptoms:
1. Rapid/Irregular Heartbeat
2. Rapid/Difficulty Breathing
3. Extreme Tiredness
4. Blue colour to Skin
Performing Device Closure of Heart holes regularly at SKY Since August 2015. (More than 60 Device implanted so far)
Next Date : 25th August, 2018
SKY Hospital & Research Centre, Rims road
For Booking Contact : Reception or Call 7005652960
HL-B/4804/21

Aptech LEARNING
Unleash your potential
IMPHAL CENTRE YAIPHAKOL Building Singjamei Parking
www.aptechlearning.com
7085440528
Available Courses
Air Hostess (Cabin Crew)
Airport Ground Staff
Travel & Tourism Management
Hospitality Mgmt.
SPOKEN English (Speech, interaction).
Certified COMPUTER Courses.
MS Office, C, C++ programming.
Website Development (HTML5/php).
FACILITY :
In-house Airport Operation Training
Lowest FEE
Get TRAINED & Get HIRED
Our Potential Recruiter :
JET AIRWAYS
30 Years of experience | 40 Countries | Imphal or Mumbai, we maintain the same Quality
HL-B/4789/10/8-8/09 (Alt.)

www.rimt.ac.in
RIMT UNIVERSITY
education for life
APPLIED SCIENCES
B.Sc | M.Sc | B.Sc Hons.
- Chemistry
- Physics
- Mathematics
- Botany
- Microbiology
- Biotechnology
- Zoology
- Medical
- Non-Medical
- Forensic Sciences
AGRICULTURE
Diploma B.Sc M.Sc
- Agriculture
- Food Technology & Quality Control
- Fisheries
- Nutrition & Dietetics
- Dairy Technology
PARA-MEDICAL
BPT Bachelor of Physiotherapy
BMLT Bachelor in Medical Lab. Technology
DPT Diploma of Physiotherapy
DMLT Diploma in Medical Lab. Technology
ENGINEERING
B.TECH
Civil Engg., Computer Science Engg., Mechanical Engg., Electronics & Comm. Engg., Electrical Engg., Automobile
OTHER COURSES: MANAGEMENT | HOTEL MANAGEMENT | POLYTECHNIC | HUMANITIES | EDUCATION | COMPUTER APPLICATIONS | COMMERCE | PHARMACY | ARCHITECTURE | DESIGN | LAW | JOURNALISM & MASS COMMUNICATION
Toll Free: 1800 137 0022 | HELPLINE: 8725885838 / 9402610616
RIMT UNIVERSITY, Sirhind Side, Mandi Gobindgarh - 147301, Punjab
HL-P/3468/21-25

LOAN AVAILABLE
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
Vehicle Loan
Pension Loan
Service Loan
T.V. Loan
100% Free Processing (Vehicle Only)
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung · B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.
HL-P/5255/21/08-20/09